**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16.05.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা ঙসি রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্ষাগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

২) লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি নেসনেল দেঙ্গি নুমিৎ পালন তৌখ্রে।

৩) ইম্ফালদা ঙসি শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪ য়ৌখি।

৪) কেন্দ্র সরকারনা মীয়ামা মরুওইনা শিজিন্নবা হিদাক ৪১ গী মমল হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌরে।

অমসুং

৫) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্কক অহুমগী ভোট খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা ঙসি রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্ষাগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

উন্নবা অদুদা শ্রী কুলদিপ সিংহনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংননবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা মতিক চানা থমবগী মতাংদা

নিংথিনা পাউদমখি। লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা রাজ্য অসিদগী সেক্যুরিতি ফোর্স খরা লৌথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বা ৱাফম ফোংদোকপগা লোয়ননা মীখল হেক লোইবগা হায়রিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং অমুক হল্লক্কনি হায়বা ৱাফমসু মহাকা রাজ্যপালদা খঙহনখি। নেসনেল হাইৱে-টু অমসুং নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অনিদা চৎলিবা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং ঙাক শেন্নবা সেন্ত্রল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং শিজিন্নরি হায়নসুবা মহাকা ফোংদোকখি।

তুংদা, রাজ্যপালনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা অমসুং মীয়াম্বু নিংথিনা ঙাক শেন্নবা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা ৱাফম সেক্যুরিতি এদভাইজরদা খঙহনখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি নেসনেল দেঙ্গি নুমিৎ পালন তৌখ্রে।

ষ্টেট হেলথ সোসাইতি নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিজ কন্ত্রোল প্রোগ্রামনা শিন্দুনা লমফেলদা লৈবা ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসতা ঙসি নেসনেল দেঙ্গি নুমিৎ, ২০২৪ পালন পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী ওইনা "কন্নেক্ট ৱিথ কম্যুনিতি, কন্ত্রোল দেঙ্গি" হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইফম খুনৌদসু নেসনেল দেঙ্গি নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট ডাঃ টি. নেপোলিয়ন শরুক য়াখি।

থৌবাল জিলাদসু নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিজ কন্ত্রোল সোসাইতি থৌবালনা শিন্দুনা জাতিগী দেঙ্গিগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।
জিলা অসিগী সি.এম.ও ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চিফ মেদিকেল ওফিসার থৌবাল, ৱাই. নোকুল, দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ এল. ললিত কুমার অমদি দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সি.ঐচ. বসন্তসু শরুক য়াখি।

নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিজ কন্ত্রোল প্রোগ্রাম দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী সি.এম.ও ওফিসতসু থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ জোইসন মেথিউ

মোনসাং, দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ সিমিলান আইমোলনচিংবা শরুক য়াখি।

আরকাইবস (এল)ঃ রেকোর্দ মেনেজমেন্ট এন্দ আরকাইভেলগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথ্থগদবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী মণিপুর ষ্টেট আরকাইবসতা হৌখ্রে। মণিপুর ষ্টেট আরকাইবস অমসুং নেসনেল আরকাইবস ওফ ইন্দিয়া, নিউ দিল্লিনা পুন্না শিনবা ৱার্কসোপ অদু রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয় সিংহনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর কে. দিনামনি অমদি মণিপুর ষ্টেট আরকাইবসকী দিপ্যুতি দিরেক্তর ৱাই. য়াইবা দেবীসু শরুক য়াখি। ৱার্কসোপ অসিগী টেকিকেল সেসনদা নেসনেল আরকাইবস ওফ ইন্দিয়াদগী লাকপা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

পুলিস (এল)ঃ থৌবাল পুলিস অমসুং ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বজারদা থিবা হুন্থগী থবক চথ্থবদা কে.পি.সি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই মরি ফারে। ফারবশিং অদুদগী দিমান্দ লেটরশিং অমদি খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনিগা লোয়ননা কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৫, মোবাইল হেন্দসেট ৫, দিমান্দ লেটর ৫ অমদি নোংমৈ মরুশিং য়াওরি।

লিলোং (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী লিলোংদগী মশক খঙদবশিংনা ফাদুনা পুখিবা কৈবুংদগী মীওই অনি ফুবদা অমা শিখিবা অদুগা অমনা শোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙসি তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও লুচিংবশিং য়াওনা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা মীহাৎ অদুদা চেন্নবশিং মীয়াম খঙনা মতিক চাবা দন্দি পীবা, রিটায়ার্দ জজ অমনা চেয়ারমেন ওইবা ইনক্বারি কমিতি অমা শেম্বা য়াওরি।

শাবা ঃ মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলক্তুনা মীয়ামনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। ঙসি ইম্ফালদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪ য়ৌনা শাখি। থা অসিগী হৌগৎলকপদা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎতুনা য়ুম কৈ কয়া অমাং অতা থোকহন্দুনা অৱাবা নংলিঙৈ চৈরক অসিদা মীয়ামা অমুকসু কা হেন্না শাবগী অৱাবা খাঙলি। মসিগী মথক্তা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং

মেট দিপার্টমেন্তনা হায়রি- লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমশিং অমদি নোংপোক থংবা মফমশিংদা ঙসি য়ামা শাবনা মরম ওইদুনা ওমচাকবা ফীভম মায়োকবা য়াই।

দিপার্টমেন্ত অসিনা মখা তানা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংচুপ থংবা অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩ দগী মরী ফাওবা হেনগৎলকপা য়াই।

ফোগ্গিং (এল)ঃ মণিপুরগী ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসকী মীৎয়েং মখাদা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিস কমপ্লেক্সতা কাংনা চিকপা লায়নাদগী ঙাকথোকবা ফোগ্গিং কাপথোকখিবগা লোয়ননা লারবিসাইত তৌথোকখ্রে।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারদা জিলা অসিগী তৌসেম সব-দিভিজনগীদা লৈবা একলব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলগী অৱাৎপা ওজা হাপবা অমসুং স্কুল ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎনবা তৌসেম এরিয়া ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (তাসো)না তকশিনখ্রে। মহৈরোই লুপ অসিনা তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চনবা নিউ মানদুনা লৈবা কষ্টুরবা গান্ধি বালিকা বিদ্যালায়াগী অৱাৎপা ওজাশিংসু হাপ্পীনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা তকশিনখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা য়াইরিপোক কৈথেলদা দুকান ফল্লিবা মীওইশিংদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা

শেনখায় তৌরকপগী মায়োক্তা ঙসি দুকান ফন্নিবশিংনা দুকান থোং লোন্দুনা য়াইরিপোক কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওল য়াইরিপোক দুকান্দার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এল. শ্যামকিশ্বরনা হায়- মমাং চহিগী মে ৩ দগী রাজ্য অসিদা চঋরকখিবা কাংলুপকী ইরাং অসি হেক হৌরকপদগী দুকান্দারশিংনা মতম মতমগী তঙাইফদবা মতেংশিং পাংদ্না লাক্লি। অদুবু তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেনখায় নল্লকপা অসিনা দুকান ফমজরগা ইমুং পুরিবশিংদা খম থেংনা অৱাবা পীরে, দুকান হাংবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা দুকান ফন্নিবশিংনা অঙন্বা মতেং পীরকপদা য়াবীয়ু হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি।

তেংবাং (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ঘরিদা লৈবা ৱিদো এন্দ ওর্ফান দিভলপমেন্ট ট্রষ্টনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুং চনবা য়াইরিপোক তোপ চিংথাদা লৈবা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা লুখ্রাবী ৩৫০ চেং কিলোগ্রাম ৫-৫ তেংবাং পীখে।

মৈরাবাঃ  বেদমিন্টন ৱার্ল্ডফেদরেসন (বি.দল্লিউ .এফ)কী থাইলেন্দ ওপনগী ক্বাতর ফাইনেলদা হয়েং মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংগা থাইলেন্দগী শান্নরোই কে. বিদিতসানগা থেংনরগনি।

মৈরাবা লুৱাংনা দেনমার্ককী খৃস্তোফরসনবু মাইথিবা পীদুনা বেদমিন্টন ৱার্ল্ডফেদরেসন (বি.দল্লিউ .এফ) কী থাইলেন্দ ওপনগী ক্বাতর ফাইনেল চংখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলোং আর্তিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চঋরিবা অন্দর সভেন্তিন খেলো ইন্দিয়া গার্লস ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি. ইম্ফালনা আই.সি.এস.এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ১০-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বোল (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চখরিবা ১৭ শুবা বালানন্দ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর সভেন্তিন বোইজ ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্রাউনা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরব্ পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ বেবি শিংজমৈ অমসুং কংলৈচা এফ.সি শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চখরিবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোকর টুরনামন্তেকী সেমি ফাইনেল চংবা অহুমসুবা অমদি মরিসুবা টিম ওইরে। ঙসি শান্নখিবা অহুমসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা বেবি শিংজমৈনা মঙাং এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা অদুগা মরিসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতনা কংলৈচা এফ.সিনা অঙানবা এফ.সিবু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ২-০ দা থোইখিবনি।

হিদাক ঃ দাইবেতিস, হার্ট অমসুং লিভর লায়নাদা শিজিন্নবা ফোরমুলেসন ৬ অমসুং মীয়ামা মরুওইনা শিজিন্নবা হিদাক ৪১ গী মমল হন্থহন্নবা কেন্দ্রনা ৱারেপ লৌরে। মীয়ামদা হিদাকশিং অসি অহোংবা মমলদা ফংহন্নবগীদমক নেসনেল ফারকাসিউতিকেল প্রাইসিং ওথোরিতি (এন.পি.পি.এ)গী মীফম অমা ফমদুনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। দিল্লর অমসুং ষ্টোকিষ্ট পায়রিবশিংদা হিদাকশিং অসিগী হন্থবা মমলশিং অসি খঙহন্নবা ফারমা কম্পনিশিংদা খঙহনখ্রে।

ইলেক্সনঃ ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্কক অহুমগী ভোট খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। রাজনীতি দলগী লুচিংবশিংনা ঙমজবী থাদুনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিন্দুনা মাগী মাগী দলগী মীরেপশিংনা মায় পাকবগী ভোৎ খোল্লি।

বি.জে.পি লুচিংবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনি চুপা উত্তর প্রদেশতা ভোট খোমগনি। মহাকা রাজ্য অসিগী লোক সভা কেন্দ্র ১১ গী তোঙান তোঙানবা মফম ৭ তা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি জোনপুর, বাদোহি, প্রতাপঘর অমসুং

অজমঘরদা পাঙথোকপা মীতিনশিংদা শরুক য়ারি।

প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং বরাবংকি, খতেপুর অমসুং হামিরপুরদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিশিংদসু শরুক য়াগনি।

কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-প্রিয়াঙ্কা গান্ধিনা রাইবারেরি লোক সভা কেন্দ্রদা রাহুল গান্ধিগীদমক ভোট খোমখি।

আম আদ্মী পার্টিগী লুচিংবা অরবিন্দ কেজ্রিৱাল ঙসিদগী পঞ্জাবতা মীখলগী কেম্পেইন হৌখ্রে। মহাকা পঞ্জাবকী মুখ্য মন্ত্রি বগৱান সিংহ মনগা লোয়ননা অমরিতসরদা পাঙথোকপা রোদ সো অমদা শরুক য়াখি।

কম্মীসনঃ অন্ধ্র প্রদেশকী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিবু মীখলগী মাঙওইননা থোকখিবা ইরাং লাকশিনবা ঙমখিদবগী মরম করিগীনো হায়না ইলেক্সন কম্মীসননা কৌখৎতুনা মচিন হংখ্রে। অন্ধ্র প্রদেশতা মীখলগী মাঙওইননা থোকখিবা হিংশাদা রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিদা অশিগুম্বা হিংশা অসি হিরম অমত্তদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা পাউতাক পীখি। কম্মীসননা হায়- গনতন্ত্রাগী থবক থৌরমদা হিংশাগী মফম লৈতে ।

এনদিআরএফ ঃ মুম্বাইগী ঘাৎকোপর এরিয়াদা উফুল য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎতা হোর্দিং তেকথারকপদগী মীওই কয়া অশি অনা থোকখিবগা মরী লৈননা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন.দি.আর.এফ)না চথরকপা মী কনবা থবক অদু লোইশিনখ্রে।

থৌদোক অসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা খঙহৌদনা উফুল য়াওবা নুংশিৎ শিৎলকপদগী হোর্দিং কিন্থরক্তুনা মীওই ১৬ লৈখিদবনি অদুগা মীওই ৭৫ না অশোক অপন নংখিবনি। মী কনবগী থবক অসি ঙসি অয়ুক লোইশিনখিবনি।

সিটিজনসিপঃ সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট রুলস ২০২৪, নোটিফিকেসন থোকখ্রবা মতুংদা সিটিজনসিপ সার্টিফিকেট ঙরাংদগী পীবা হৌখ্রে।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি-অজোয় কুমার ভালানা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা

সিটিজনসিপ পীবিনবা দরখাষ্ট থাখিবা মীওই ১৪ দা সিটিজনসিপ সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি। গৃহ মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না দিজিটেলগী সাইন তৌরবা সার্টিফিকেটশিং দরখাষ্ট থারকপা মীওইশিংগী ই-মেলগী খুথাংদা পীবা হৌরে।

সিক্কিমঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সিক্কিমনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী ৪৯ শুবা ষ্টেটহুড ডে নুমিৎতা য়াইফ পাউজেল পীরি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-সিক্কিম অসি মহৌশাগী ফজবনা থল্লবা রাজ্য অমনি। রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তিগী পুক্কে য়োকখৎপদা নত্তনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ খোঙথাংদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি।

সিক্কিমগী রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিনসু সিক্কিমগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়-সিক্কিমনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইরকপদগী ঙসিদি শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা চাউখৎলে। রাজ্য অসিগী মুখ্য মন্ত্রি-প্রেম সিংহ তমাংনসু য়াইফ পাউজেল পীরি।

সিক্কিম অসি ইং ১৯৭৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ভারতকী ২২ শুবা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইখিবনি।

শিল্লোংঃ ইন্দিয়ান ইয়ার চীফ মার্সেল-বি.আর.চৌধুরিনা শিল্লোংগী ইষ্টর্ন ইয়ার কম্মান্দা লৈবা ৫০৯ শুবা সিগনেল য়ুনিট য়েংশিনখ্রে।

মহাকা মফম অদুদা থুংলবদা ইয়ার মার্সেল-এস.পি. ধরকর অমসুং সিগনেল য়ুনিট অসিগী ষ্টেসন কম্মান্দর-বিভেক শর্ম্মনা তরামা ওকখি। মহাকা ষ্টেসন অদুদা লৈরিবা পার্সোনেলশিংগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখি।

------